# এফ সী দাইনামো মিন্সকনা এফ সী নিমান গ্রোদনোবু ২-০দা থোইখ্রে, এফ কে গোরোদয়াসু মায় পাকখ্রে



মিন্সক, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
বেলারসিয়ন প্রেমিয়র ফুটবোল লীগকী ঙসি মিন্সককী ট্রেক্টর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী দাইনামো মিন্সকনা এফ সী নেমান গ্রোদনোবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা এফ কে গোরোদয়ানা এফ সী বি জি য়ু মিন্সকপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

য়ুরোপ্তা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক সটদাউন তৌদুনা লৈরিঙৈ বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ অসিনা মমাঙ থাগী ১৯দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা লেপ্তুনা চত্থরকপা অমত্তা ঙাইরবা ইভেন্টনি।

এফ সী দাইনামো মিন্সক অমসুং এফ সী নেমান গ্রোদনোগী মেচ অদু অহানবা হাফতা নাকল অনীমক্তগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকপা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদসু মিনট ২০ হেন্না গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা এফ সী দাইনামো মিন্সকগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা মীহা গোরোপেবসেকনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা নেমান গ্রোদনোবু মাঙজিল থাখি।

মেচ অদুগী মাংওইননা এফ সী দাইনামো মিন্সক মমাঙদা মেচ ৪ শান্নবদা মেচ অমা থোইরগা ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ খক ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা নেমান গ্রোদনো মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৪দা ১ মায় পাক্লগা মেচ ২ দ্রো চৎলগা মেচ ১ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৫ ফংখি।

ঙসি মেচ অদুগী লোইশিল্লকপা ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙম্লবা দাইনামো মিন্সককী মায়কৈদগী ইবজিনি সিকাপকানা পাঞ্জল অমগা চল্লগা এফ সী নেমান গ্রোদনোবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। মায় পাকপা অদুনা দাইনামো মিন্সক পোইন্ট ৩ হাপচিনবা ঙম্লগা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা হায়গৎখি।

বি জি য়ু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা এফ কে গোরোদয়ানা য়ুম্বু ওইখিবা বি জি য়ু মিন্সকপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৩৫শুবা মিনটতা গোরোদয়াগী লাজর সাসকিকনা পীরকপা বোল অমদা এন্দ্রি সোরোকিননা চনখিবনি।

বি জি য়ু মিন্সক মমাঙদা মেচ ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ১ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা লৈরম্বনি। অমরোমদা গোরোদয়া মেচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা লৈখি। ঙসি গোরোদয়া মায় পাকপদগী পোইন্ট ৯ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী ২শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

# য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট শান্নবা নত্রগা শান্নদবগী ৱারেপ জুন থাদা লৌরগনি : ওর্গনাইজর



ন্যু য়োক, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
চহীসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদ্রা নত্রগা পাঙথোক্লোইদ্রা হায়বগী অরোইবা ৱারেপ জুন থাদা লৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং য়ু এস ওপন ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকপদা সেপ্টেম্বর থাদা হান্নগুম্না পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লম্বনি। অদুবু ভাবোক য়াওদনা পাঙথোকপগী ৱাফমদি লৈতে হায়রি। য়ু এস টেন্নিস এসোসিএসনগী চীফ একজিক্যুটিব মাইক দাউসেনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে। অরোইবা ৱারেপ অমা জুন থাদা খঙলগনি হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগীদি ভাবোক য়াওরগা টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোকপনা মখোয়গী পান্দম ওইরিবনি। অদুবু ভাবোক য়াওদনা পাঙথোকপদি পামদবা মরম্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি হায়রি।

ভাবোক য়াওদবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা মশান্না অসিগী স্পিরিটকী ৱাংমদনি। ন্যু য়োক্তা লৈবা নেসনল টেন্নিস সেন্টরগী ইন্দোর কোটশিং অদু কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা মীওইশিং লায়েংফম ওইনা শীজিন্নরি। মসিগী মতাংদা মাইক দাউসেনা ৱারোল ফোঙদোকপদা য়ু এস ওপনগী ৱাফম অদু লাকখিবনি।

ইন্দোর টেন্নিস কোটশিং অদু হোস্পিটাল জোন ওইনা মতম খরগী ওন্থোকখ্রবা মতুং লুই আমষ্ট্রোং ষ্টেদিয়ম অদুনা অনাবশিং, ভোলুন্টিয়রশিং অমদি মফম অদুগী স্কুলগী অঙাংশিংগী চানবা পোৎলমশিং শেম শাবগী মফম ওইনা শীজিন্নরি।

য়ু এস এদা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৪,৬৯৮ শীহনখ্রবনি। অপুনবা লায়না অসিনা নাবা মশিংনা মীওই ৬,৭৯,৬১১নি। অদুগা লায়না অসিদগী ফখ্রবা মশিংনা ৫৭,৮৪৪নি। য়ু এস এগী ওইনা ন্যু য়োক সিটিদা মীওই লিশিং ১১ রোম শীহন্দুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা শীহনবা সিটি ওইরি।

চীফ একজিক্যুটিব মাইক দাউসেনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মশিং য়াম্লবা দোক্তরশিংগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনদুনা মখা তানা চত্থগদবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনরি। য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টনা চহী অমগী ওইনা মরিশুবা অমদি অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইবনা মতমদি লৈরি। ওগষ্ট ৩১দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। ৱিম্বলদন তোকখ্রবা মতুং ফ্রেন্স ওপননা সেপ্টেম্বর ২০দা য়ৈথোকখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা লোকদাউন মনুংদা লাইরবশিং অমদি মাইগ্রেন্ট ইমুং-মনুংশিং পীজ পীথক তৌনবা ফন্দ খোমগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইর লায়না লাইচৎনা ইন্দিয়াদা মীওই ৪৬০ শীহনখ্রে। মীওই ১৩৯২০না নাহল্লি। অদুগা মীওই ১৭৬৬না লায়না অসিদগী ফবা ঙমখ্রে। লৈঙাক্লা লৈবাক শিনবা থুংনা মে ৩ ফাওবা লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইদুনা লাইরবা অমদি মাইগ্রেন্ট ইমুং মনুংশিংনা থেংনরিবা অৱাবদু মতেং ওইননবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৮নি চুপ্পা ফিটনেস চেলেঞ্জ অমা পাঙথোক্লবা মতুং মদুদগী লাকপা শেলশিং অদুনা লাইরবা অমদি মাইগ্রেন্ট ইমুং মনুংশিংবু পীজ পীথক তৌগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন রানিনা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা শোকহনবা অমদি মসিনা চৈথেং পীবগী মতাংদা পাউচে অমদি সোসল মিদিয়াদা নুমিৎ খুদিংদগী থেংনরি। লোয়ননা মীওই কয়া অমনা লোকদাউননা মরম ওইরগা চানা থক্কবা পোৎলম ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মসিদা টিম অসিনা মতেং খরদং ওইরবসু পাঙননবা হোৎনবদা ফন্দ খোমগৎকদৌরিবনি।

নুমিৎ ১৮নি চত্থগদবা ফন্দ ফিটনেস চেলেঞ্জ অসিদা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা হকচাং শাজেল ওইবা বর্পিস, লনজেস, স্কৱাত, পুসঅপ অমদি অতোপ্পা শাজেল কয়া মখোয়গী সোসল মিদিয়াদা মীওই ১০গী ওইবা খুজংদা চেলেঞ্জ তৌহনবনি। মদুদা চেলেঞ্জ শরুক য়ারকপা মীওই অদুনা ফন্দ ওইনা লুপা ১০০/১০০ নত্রগা ১০০দগী হেনবা শেনফমশিং দোনেট তৌগদৌরিবনি।

টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদুনা পীরকপা চেলেঞ্জশিং অদু কনাগুম্বা অমনা শরুক য়ানিংলবদি ফন্দ অদুদা লুপা ১০০ নত্রগা অহেনবা শেনফম হাপ্লগা শরুক য়াগদৌরিবনি। মসিদা মীয়াম্না হোক্কি টিম অসিবু শুংশোই শোইদনা মতেং পীরক্কনি হায়না ভাইস কেপ্টেন সবিতানা ফোঙদোরক্লি।

সবিতানা মখা তাখিবদা হোক্কি টিম অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় অয়াম্বা শেল থুম কা হেন্না পায়দবা ইমুং মনুংদগী হৌরকপা ঙাক্তনি। মখোয়না চানা থক্কবা অমদি অতোপ্পা চঙগদবা পোৎলমশিং ফংদবদা থেংরকখিবা অৱাবশিং অদু নীংশিংদুনা লৌখৎলিবা ফন্দ ফিটনেস চেলেঞ্জ অসিনা চানা থক্লবা অমদি সেনিটরিগী পোৎলমশিং লাইরবা অমদি মাইগ্রেন্ট ইমুং মনুংশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগদৌরি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী অপোকপা হরিয়ানা ষ্টেটকী সহবাদ মরকন্দাদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ইন্থোক ইনশিন তৌবগী থবক তৌখি। মহাক্কী নোংমগী খুৎশুমল অদুনা ইমুং মনুং থাক্লকপনি হায়খি।

হোক্কি শান্নরোয়শিং অসিনা খোমগৎকদৌরিবা শেনফম অসিনা য়ামদ্রবদা লাইরবা অমদি মাইগ্রেন্ট ইমুং ১০০০ রোম পীজ পীথক তৌননবা হোৎনগদৌরিবনি হায়খি।

মীয়ামদগী খোমগৎলকপা শেনফমশিং অদু দিল্লিদা বেজ তৌবা উদয় ফাউন্দেসন হায়না খঙনবা এন জি ও অমদা য়ৌহল্লগা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অমদি স্লামদা লৈরিবা লাইরবশিংনা চাননবা পোৎলমশিং য়ৌহনগদৌরিবনি।

চানা থক্লবা খক্তা নত্তনা ফন্দ অদুদগী লাকপা শেনফমশিংনা সাপোন অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা লুন-নান্না লৈননবগী পোৎলমশিং অদুসু পীননবা হোৎনগনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন রানিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লোকদাউন মনুংদা য়ুমদা ফংবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ট্রেনিং চত্থনরি



কোলকতা, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
লৈবাক শীনবা থুংনা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ শান্দোরক্লবা মতুং মখা তানা শন্দাকপা লাকশিন্ননবা হোৎনরকপদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা থা অসিগী ৩ ফাওবা হৌখিবা মার্চ ২৪দগী লোকদাউন থম্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা য়ুম য়ুমদা ফংবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ট্রেনিং চত্থনরি।

হন্দক্তা জোর্দানগী অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯ ওলিম্পিকস্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। ওইহৌদবা খরাগী মনুংদা সোনিয়া লাথর অমসুং কাবিন্দর বিসসু য়াওরি।

উট্টরখন্দগী সিটি দেহরাদুনদগী হৌরকখিবা কবিন্দর বিসনা ফোঙদোকখিবদা নোংমদা মহাক মশাগী ময়ুমদা ফেদরেসন অমদি চীফ কোচনা পীরকপা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না অনীরক ট্রেনিং তৌই। মহাক্কী ময়ুম অদুদা লম চাওনা লৈতবা মাঙ্গোন অমদি ষ্টেয়রকেসশিংদা ট্রেনিং তৌফম ওইরি।

ৱার্মঅপকীদমক মহাক্না ময়ুমগী ষ্টেয়র কাথোক কাশিন তৌই। অদুগা মঙোন্দদা থৌরি চোংবা, সেদো বোক্সিং (লম্বা য়াওদনা মথন্থা থীনবা) অমদি য়ুমদা ফংবা য়োৎচৈশিং শীজিন্নরগা ৱেথকী ট্রেনিংসু তৌই হায়না ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা অনীরক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা কাবিন্দরনা ফোঙদোরক্লি। মহাক কিলোগ্রাম ৫৭কী কাংলুপ্তা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবনি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী সোনিয়া লাথরনা ফোঙদোরকখিবদা মহাকসু ময়ুমদা অরুম্বা ৱা অমদি উ লোয়ননা চেক শীজিন্নদুনা মিনি জিম অমা শেমগৎলি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইননবা কন্না হোৎনরিবা বোক্সর সোনিয়া লাথর হরিয়ানাগী হিসার সিটিদগীনি।

মহাক্না জোর্দানগী ক্বালিফায়িংদা ওলিম্পিকস্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবসু চহী অমা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা অসিনা মহাক্কী অশোইবশিং চুমথোক্লবগী তাঞ্জা অমা ফংলে হায়খি।

# য়ু এস এ পি জি এ টুর ভাবোক য়াওদনা জুন থাদগী মখা তানা চত্থনবা শেম শাবা হৌরে : পি জি এ টুর কম্মিস্নার



লোস এঞ্জেলিস, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): য়ু এস এদা পাঙথোকপা প্রোফেস্নেল গোল্ফ এসোসিএসন (পি জি এ) টুর ভাবোক য়াওদনা জুন থাদগী হৌননবা শেম শারে হায়না টুরগী কম্মিস্নার জে মোনাহননা ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাদা টুর অসিগী মনুং চন্না প্লেয়র্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখিবা অদু অহানবা রাউন্দ লোইরগা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লগা মে ২১দগী হৌগনি হায়না পান্নরম্বনি। অদুবু থা অমগা শাংথরকপা মরম্না কানাদিয়ন ওপন অমসুং বারবাসোল চেম্পিয়নশিপতি তোক্লগনি।

জুন থাদা করিগুম্বা পি জি এ টুর অসি মখা তানা চত্থবা হৌরবদি জুন ১১দা অহানবা ওইনা চার্লস স্বাপ চেলেঞ্জ টেক্সাসকী ফোর্ট ৱার্থতা শান্নবা হৌগনি। টুর অসিগা মরী লৈনবা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী হকশেল অমদি অশোইঅঙাম য়াওদবনা টুর অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌখৎকদবা খোঙথাংনি হায়না কম্মিস্নার মোনাহননা মখা তাখি।

কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা পি জি এ টুর সিজনগী লেমহৌবা ইভেন্ট ১৪ লৈরি। মরু ওইবা পব্লিক হেল্থ ওথোরিটিশিংগী লমজিং মখাদা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়বা মতমদা টুর্নামেন্ট মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

পি জি এ টুরগী অনৌবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা মমাঙদা পি জি এ টুর চেম্পিয়ন ওইরম্লবা জষ্টিন থোমাসনা য়ানিংবা ফোঙদোরক্লি। শরুক য়ারিবা পুম্নমক্কী শাফবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাংনি। অদুবু শান্নরোয়শিংদা টুর অসিগী মায়কৈদগী জুন থাদগী ভাবোক য়াওদনা টুর মখা তানা চত্থবা য়াই হায়না ফোঙদোরকখিবা অসি অফবা খোঙথাংনি হায়খি।

চার্লস স্বাব চেলেঞ্জ টুর্নামেন্টদা নত্তনা মখা তারক্কদবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি - সাউথ কোরোলিনাগী হিল্টন হেদতা আর বি সী হেরিটেজ চেম্পিয়নশিপ (জুন ১৮-২১), কনেক্টিকটকী ক্রোমৱেলদা পাঙথোক্কদবা ট্রাবেল্লর্স চেম্পিয়নশিপ (জুন ২৫-২৮) লোয়ননা দেট্রোইটতা পাঙথোক্কদবা রোকেট মোর্টগেজ ক্লাসিক (জুলাই ২দগী ৫)নি।

লোয়ননা ২০১৯-২০ কেলেন্দরদা লেমহৌরিবা মেজর চেম্পিয়নশিপ অমখক অদুদি সেন ফ্রান্সিসকোদা ওগষ্ট ৬তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা পি জি এ চেম্পিয়নশিপনি।

অনৌবা প্লান অসিগী মতুং ইন্না ২০১৯-২০ সিজনগী ফেদএক্স কপ প্লে ওফ অদু এটলান্টাদা সেপ্টেম্বর ৪দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্লগা সিজন অসি লোইশিনগদৌরিবনি।

পি জি এ টুরগী চীফ টুর্নামেন্ট অমসুং কম্পিটিসন ওফিসার ওইরিবা এনলি পাজদরনা ফোঙদোকখিবদা অহোংবা কয়া লাক্লে। লাক্লিবা অসি মরু ওইনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবগী তঙাইফদবা অদুসু য়াওরিবনি। মেদিকেল এদভাইজরশিংগী মতেং য়াওরগা থবক খুদিংমক পায়খৎকনি। এফ দি এনা হন্দক্তা টিন (সলাইবা)দা বেজ তৌবা টেষ্ট তৌবা অয়াবা পীখ্রবা মতুং টেষ্ট তৌবগী প্রোটুকোল অমা থল্লগনি।

# ইংলেন্দগী ফুটবোল প্লেয়র নোর্মেন হন্টর মশাগী চহী ৭৬ শুরকপদা কোরোনাভাইরস নারকপদগী লৈখিদ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
মমাঙদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিদস য়ুনাইটেদতা শান্নরম্বা অদুগা ইংলেন্দগী নেসনল টিমগী দিফেন্দর অমা ওইনসু শরুক য়াম্লবা নোর্মেন হন্টর ঙসি মশাগী চহী ৭৬ শুরকপদা কোরোনাভাইরসনা নহল্লগা শীখ্রে হায়না লিদস য়ুনাইটেদ ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী ৱেবসাইটদা ফোঙদোরক্পা পাউ অমদা নোর্মেন হন্টর হৌখিবা চয়োলদা কোরোনাভাইরসনা নহল্লকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংলকপনি। অদুবু মহাক ঙসি অয়ুক অঙনবদা ভাইরস অদুনা লাকশিল্লকপদগী লৈখিদে।

হন্টরনা মহাক্কী ফুটবোল করিয়রদা য়োকসয়রদা লৈবা লিদস য়ুনাইটেদ ক্লবতা চহী ১৫ ফুটবোল শান্নরকপদা মেচ ৭২৬ শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৭৫তা লিদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী য়ুরোপিয়ন কপ ফাইনেল শান্নবদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মখুৎতা মায়থীখিবা মেচ অদুদসু শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৬৬তা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ইংলেন্দনা লৌখিবা অদুদা মহাকসু শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৪দা পি এফ এ প্লেয়র ওফ দি এয়রগী মনা ইহান হান্না য়েন্থোকপদা নোর্মেন হন্টরনা লৌখি।

ইংলেন্দগী ওইনা এফ এ কপ অমসুং লীগ কপকী টাইটল লিদস য়ুনাইটেদনা লৌবদা মহাকসু শান্নরোয় অমা ওইখি। লিদস য়ুনাইটেদ ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অদুনা নোর্মেন হন্টর লৈখিদবনা লিদস য়ুনাইটেদ ফেমিলিদা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রি।

# বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অহানবা অলত্রা রন্নিং চেম্পিয়নশিপ কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে



বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
চহীসিগী জুলাই ১৮ অমসুং ১৯দা বেঙ্গালুরু সিটিদা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা অলত্রা রন্নিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা লোকদাউনগী মতম মে ৩ ফাওবা শাংদোকপনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

অলত্রা রন্নিং চেম্পিয়নশিপ অসি চুম্নগী কিলোমিটর ৪২.১৯৫ শাংবা মরাথোন লমজেল অদুদগী হেন্না শাংবা মখলগী কম্পিটিসননি। মফম মফমগী খেন্নবগী মতুং ইন্না ইন্টর্নেসনল এসোসিএসন ওফ অলত্রা রন্নর্স (আই এ য়ু)না পীরকপা গাইদলাইনগী মতুং ইন্না কিলোমিটর ৫০, ১০০ নত্রগা মদুদগী হেনবা ইভেন্ট ওইবা য়াই। নত্রগনা পুং ৬কী ওইবা, পুং ২৪গী ওইবা অমদি নুমিৎ মশিং খরা হেন্না পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ ওইবসু য়াই।

বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা অলত্রা রন্নিং চেম্পিয়নশিপ অসি পুং ২৪গী ওইবা এসিয়া অমসুং ওসিনিয়া চেম্পিয়নশিপনি। ইন্দিয়াদা নত্তনা অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংদসু লোকদাউন লৈবা মরম্না হন্দক্কী জুলাই থাগী কম্পিটিসন অদু পাঙথোক্লরোই হায়না আই এ য়ুনা ফোঙদোরকপনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com